## সঙাই রন ২০১৮ঃ
## ইম্ফালদদি ওর্গনাইজরনা শোয়বদগী ফার্ষ্ট অমসুং সেকেন্দা লমজেল্লোই ২ /২ লৌখৎখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ঃ
মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা উরেপ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা সঙাই রন হাল্ফ মরাথোন ২০১৮ পাঙথোকখ্রে।

সঙাই রন অসি ইম্ফালগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লমথাখি।

ইম্ফালগী ওইনা কিলোমিটর ১০ শাংবা লমজেল অসি খুমন লম্পাক্তগী হৌরগা–দিষ্ক্ট রোর্দ –নোর্থ এ ও সি– কংলা পাৎ– শঞ্জেলথোং–কোনুং মমাঙদগী–হাপ্পা মিনুংথোংদা লাক্লবা মতুং–খুমন লম্পাক্তা অমুক লমথুংফম ওইখি।

লমজেল্লোই ৫০০ না শরুক য়াখিবা ইম্ফালগী সঙাই রন অসিদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী অশোইবা অমদগী নুপা কাংলুপকী অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসনগীদমক লমজেল্লোই ২ /২ লৌখৎখি।

সঙাই রন অসিগী নুপা কাংলুপকীদা য়ুম্নাম অজিৎনা অমদি লুথর লানানা অহানবা, এমদি সহিদর রহমন অমদি খাইদেম রোসননা অনীশুবা অমসুং জহিদ খাননা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী কাংলুপকীদা সিনাম রোস্নিনা অহানবা, লৌক্রকপম চাওবনা অনীশুবা অমদি খুমনথেন অঞ্জাননা অহুমশুবা তাখি।

কাংলুপ অসিমক্কী অহানবা তাখ্রবশিংদা লুপা লিশিং ১০ অনীশুবদা লুপা লিশিং ৭ অমদি অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৫গী চেক মনা খূৎশিন্নখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লোক্তাক্তা পাঙথোকখিবা সঙাই রন হাল্ফ মরাথোনদা ৱার্কস মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বরজিৎনা সেন্দ্রাদগী লমথাখি।

লমজেল্লোই লিশিং ১৬০০ না শরুক য়াখিবা লোক্তাক্কী কেএম ২১ শাংবা সঙাই রন অসিদা মপালগী লম উথোপিয়া অমদি কেনেদিয়াদগী লাকপা লমজেল্লোই ১০শু শরুক য়াখি।

লোক্তাক্কী সঙাই রন অসিগী নুপা কাংলুপ্তা ইথোপিয়াদগী মিকিয়াস য়িমাতানা অহানবা, অনীশুবদা সঙ্কর মেনথাপা অমদি অহুমশুবদা কেনেদিয়াদগী ফিলিক্স চিরুই য়োৎ রোপনা অহুমশুবা তাখি।

নুপী কাংলুপকীদা বির দুকান মিসাসনা অহানবা, টিতা মোহমদনা অনীশুবা অমদি শগোলশেম প্রেমিলানা অহুমশুবা তাখি।

কাংলুপ অসিমগী অহানবা তাখিবশিংদা লুপা লাক্ষ ১, অনীশুবদা লুপা লিশিং ৭৫ অমদি অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৫০ গী চেক মনা খূৎশিন্নখি।

সেনাপাটি দিষ্ট্রিক্টকী মাউদা পাঙথোকখিবা সঙাই রন হাল্ফ মরাথোনদসু এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা তাদুবী ফুটবোল গ্রাউন্দগী লমথাখি।

লমজেল্লোই ১৯৬ না শরুক য়াখিবা মাউগী কেএম–৭ গী সঙাই রন অসিগী নুপা কাংলুপ্তা নাগালেন্দ পুলিসতগী থিমো–টিমোবা চার অমদি অসাখো জোসেপ্তা অহানবা অমসুং অনীশুবা অমদি দাইখো খাইশিনা অহুমশুবা তাখি।

নুপী কাংলুপ্তা লোহি লোজানা অহানবা, সনি অদানিনা অনীশুবা অমদি লোহি কোসুনিনা অহুমশুবা তাখি।

কাংলুপ অনীমক্কী অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখ্রবশিংদা চেক কী মনা ওইনা মথংশিৎনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৭ অমদি লিশিং ৫ খূৎশিন্নখি।

## দিএসএ সেকেন্দ দিভিজন ২০১৮
## একেএসএ অমদি জেএ দ্রো চৎখ্রে, এআইএফএ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা টিম ৫না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা দিএসএ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা একেএসএ ককচিং খুনৌ অমদি জেএ ককচিং দ্রো চৎখ্রে ।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা এআইএফএ ইরেংবননা কেৱাইদব্লিউএসসি ৱাবগাইবু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা একেএসএ অমদি জেএ ককচিং গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

একেএসএ ককচিং খুনৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ উমাকান্তনা মিনট ১৪ অমদি জর্সি নম্বর ১০ মাইকেলনা মিনট ৪১ দা গোল অমমম চনখিবনি।

জেএ ককচিংগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২২ দেবরাজনা মিনট ২৪ অমদি জর্সি নম্বর ২৪ এম অরনোল্ডনা মিনট ৬০ দা গোল অমমম চনখিবনি।

মেটচ অসিদা সিঐচ শ্যামসন, টিঐচ দিনেশ্বর, টিঐচ অরুনকুমার অমদি টিঐচ পসুরামনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কান্দক তৌখি।

৮শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দ এআইএফএ ইরেংবননা কেৱাইদব্লিউএসি ৱাবগাইবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এআইএফএ ৱাবগাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ নাওবনা মিনট ১৩ অমদি ৩০ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ২২ সোমেন্দ্রোনা মিনট ৬০ শুবদা গোল অমা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা আইএএফএগী চিংলেনদা রেফরিনা ফাউল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টিঐচ পসুরাম, টিঐচ অরুনকুমার, টিঐচ দিনেশ্বর অমদি টিঐচ অঞ্জুন মরিংনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেটচ থা অসিগী ২৩ গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ দা এসআরবিসি অমদি কেআইদব্লিউএসসি অহানবা অমদি জেএ অমসুং এআইএফএনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

## বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮
## সিসিপুর চুরাচন্দপুর অমদি চোলহা সদর হিলস মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্তুনা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সিসিপুর চুরাচন্দপুর, চোলহা সদর সিহলস মায় পাকখ্রে। অমদি বিএফসি শিংজমৈ অমসুং ফ্লাম ইম্ফাল দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা সিসিপুরনা এটিভিএফ থাংমৈবন্দবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা সিসিপুরগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪, রোসচুংনা মিনট ২৪, ৩৮, ৪১, ৪৫ অমদি ৪৮ তা গোল মঙা চনখি।

মায়থিরবা আইটিভিএফ থাংমৈবন্দগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১১ অমাংতে অমুলনা মিনট ২১ দা চনখিবনি। মেটচ অসিদা আইটিভিএফএগী গুনিন্দ্রোদা রেফরিনা ফাউল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দ শান্নখিবদা চোলহা সদর হিলসনা টিবিএসএফএ তবুংখোকপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চোলহা এফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ জামিনলেননা মিনট ৪২, ৫০ অমদি ৫৬ তা গোল অহুম চনদুনা হেদ ট্রিক ফঙখি।

মেটচ অসিদা চোলহা এফসিগী পাউমিনথাংদা রেফরিনা ফাউল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা ফার্ম ইম্ফাল অমদি ভিএফসি শিংজমৈ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ভিএফসি শিংজমৈগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৩ টিঐচ ট্রোফিনা মিনট ২০ দা চনখি। ফার্ম ইম্ফালগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১১ সাই জালাননা মিনট ২৫ তা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা ভিএফসি শিংজমৈগী এল সরত অমদি টিঐচ সুরজিৎতা রেফরিনা ফাউল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী লীগ মেটচ অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা বিদিভিএফএ অমদি এফসি ইম্ফাল নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ভিএসএআই অমদি এটিভিএফ, নুংথিল পপুং ২.৩০ তাবা মতমদা য়ুভিএসএ অমদি চোলহা সদর হিলসকা শান্নরগনি।

## আইটিএফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮
## সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ঃ
ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা শান্নরোই ৮০না শরুক য়াদুনা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা থা ১৯ দগী ২৩ ফাওবা চথগদবা আইটিএফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ৪৫ মথক্কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পনৱার হটিন্দরনা সমিরবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। থোংবম্মা অগরৱাল নবিনবু ৬–০, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

প্রকাস সত্যিনা কুমার বিজেবু ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। কুল ৱাদ সিংহনা রাস্তোগীবু ৬–৪, ৭–৫ তা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংলূপ অসিগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা কুল ৱাদ অমদি থোংবমনা দুতাগুপ্তা অমদি সমিরবু ৬–৩, ৭–৫ তা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কোলি জোগেস অমদি রাস্তোগিনা রন্দিপ অমদি কুমার শর্ম্মবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কুমার বিজে অমদি পানৱার হাটিন্দরনা লাক্ষমি বান্ত শর্ম্মা অমদি মোইরাংথেম্বু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অগরৱাল অরুন অমদি বান্তিয়া বাল কৃষ্ণানা অগরৱাল নাবিন অমদি পানমৈবু ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ৩৫ মথক্কী দবলসকী সেমি ফাইনেলদা বাতিয়া বাল কৃষ্ণান্দ অমদি মোহনটি দিল্লিপনা জাটিনকুমার অমদি মারৱাহা দিপকপু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

সিথু কানন্দ অমদি সিদারনা কুমার সঞ্জয় অমদি সহিদ ববার মহমুদপু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

চহি ৫৫ মথক্কী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা জেন পৱাননা কুলদিপ সিংহবু ৬–০, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

বিরি রাজাননা সুরেস মুরথাটিবু ৭–৬ (৪), ৬–৭(১), ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

নোংমাইথেমনা নিগিবু ৭–৫, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

তাক সরতনা গম্বির টি এসপু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংলুপ অসিগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা জেন পৱান অমদি নিগিনা লক্ষমি বান্ত শর্ম্মা অমদি মোইরাংথেমবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

নোংমাইথেম অমদি সুরেস মুতথাটিনা চিংঙাবম লৈশেমসনা অমদি হিদংময়ুমবু ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অগরৱাল অরুন অমদি করনানি অদিৎতিয়ানা কৌশাল অনিলকুমার অমদি সিংহ সেটি গোবিন্দ্রবু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। বিরি রাজান অমদি তাগ সরতনা সিংহ ইবোতোম্বী অমদি য়ুম্নাম সিংহবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

## ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি জুদো (মেন এন্দ ৱুমেন)
## টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

জিরিবাম, নবেম্বর ২১ঃ
চহী অসিগী দিসেম্বর ২৭তগী ২৯ ফাওবা চান্দিগরদা লৈবা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি জুদো (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়ুদো (মেন এন্দ ৱুমেন) টিমগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে।

খল্লবা নুপা শান্নরোইশিং অদুদি– প্রভাবটি কোলেজ দগী এনকে জাসৱাল (কেজি ৫৬), এমএলসি কোলেজদগী দব্লিউ রনবির সিংহ (কেজি ৬০), প্রভাবাটি কোলেজদগী এল থেমিস সিংহ (কেজি ৬৬), এমএলসি কোলেজদগী এম থোইথোইবা (কেজি ৭৩), মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী টিঐচ অথোইবা সিংহ (কেজি ৮১), এমএলসি কোলেজদগী এনজি দিপক সিংহ (কেজি ৯০), বিএমসি কোলেজ দগী সিঐচ থোইবা সিংহ (কেজি ১০০), মণিপুর কোলেজদগী টিঐচ রিসিকান্ত নি।

রিজর্ব প্লেয়রদা– দিএমসি সাইন্স কোলেজদগী জোন্সন এম (কেজি ৫৬), বিএমসি কোলেজ দগী এম বিশ্বমিত্রা সিংহ (কেজি ৬০), থৌবাল কোলেজদগী এম সনাথোই সিংহ (কেজি ৭৩), এমএলসি কোলেজদগী ও দাইমান্দ (কেজি ৮৭১) নি।

নুপী শান্নরোইদা– মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এন সিমা দেবী (কেজি ৪৪), বিএমসি কোলেজ দগী পিঐচ অরুনা দেবী (কেজি ৪৮), প্রভাবাটি কোলেজদগী টিঐচ মার্টিনা দেবী (কেজি ৫২), এসকেদব্লিউসি কোলেজ দগী মোনি নামৈরকপম (কেজি ৬৩), প্রভাবাটি কোলেজদগী এন প্রেমলাতা দেবী (কেজি ৬৩), এসকেদব্লিউসি কোলেজদগী কে হুমেশ্বরি দেবী (কেজি ৭০) অমদি প্রিয়া লাইশ্রাম (কেজি ৭৮) নি।

রিজর্ব প্লেয়রদা– থৌবাল কোলেজদগী এম কিরনবালা (কেজি ৫২), মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী অস্মা বেগুন (কেজি ৭০০ নি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২৪ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা এময়ুগী স্পোর্টস এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com